**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং খা খুনৌদা মীওই মরি হাৎখিবগী কেসকা মরী লৈননা এন.আই.এনা মীওই অমা ফারে।

২) বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি মহাক্কী অহুম্লক শুবা টার্মগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।
অনৌবা মন্ত্রি মন্দল অসিগী অহানবা কেবিনেট মীফম ঙসি পাঙথোক্লগনি ।

অমসুং

৩) সিক্কিমদা প্রেম সিংহ তমাংনা অনিরকসুবা টার্মগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি নুংথিল ৱাশক লৌগনি। উরিষাদসু বি.জে.পিগী সরকার অমা ঙসি ৱাশক লৌনবা শেম শারে।

------

এন.আই.এ (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং খা খুনৌদা মীওই মরি হাৎখিবগী কেসকা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না মীওই অমা ফারে। এজেন্সি অসিগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ফারবা মীওই অদু মণিপুরদগী লুনমিনসৈ কিপগেন, এলাইজ লানগিনমাং কৌই। মহাক অতোপ্পা কেস অমগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক গুৱাহাতিগী লোকখ্রাদা লৈবা সেন্ত্রেল জেলদা লৈরিবনি। চেরোল অসিনা হায়-মহাক য়ু.এ.পি.এ অমসুং আর্মস এক্টকী মখাদা ফাবনি।

পনবা য়াই, চহি অসিগী জনুৱারি ১৮ দা নিংথৌখোং খা খুনৌদা লৈবা ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অমগী মনাক্তা মীওই মরি হাৎপগা মরী লৈননা ফাবা অহানবা মীশকি। মহাক হান্না কে.এন.এফ.পিগী কাদর ওইরম্মী, হৌজিক য়ুনাইতেদ কুকি নেসনেল আর্মি (য়ু.কে.এন.এ)দা য়াওবনি হায়রি।

কেম্প (এল)ঃ টার্গেট ওপতিকেল ফার্ম অমদি সনা জনমস্থান ক্লব কৈশামথোংনা পুন্না শিন্দুনা লেমনা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং কৈশামথোংদা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা রিমস হোস্পিতাল কেম্পসতা লৈবা রিমস লিগেল এইদ ক্লিনিক শিনদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকাইদা লৈবা এল.টি.ৱাই.দি.ও ক্লবকী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্রাইম এগেষ্ট ৱিমেন, পোক্সো এক্ট, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট য়াওনা তোঙানবা তোঙানবা হিরমশিংদা খন্নখি।

ডে (এল)ঃ ৱিমেন দিভলপমেন্ট কমিতি হৈরোকনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী চথরকপা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম ঙরাং লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি হৈরোক পার্ট টু মনিং লৈকাইদা তুরেল য়াওনা লম তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

প্রাইজ (এল)ঃ উরিপোক ৱাঙ্কিং পার্তি ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হান্দক্তা ক্লাস টেন অমদি তুয়েল্বতা মার্ক ৱাংনা ফংলকখিবা নাগামপালদগী ইরোশেম্বা চীংখোঙ ফাওবদা লৈবা মহৈরোইশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙরাং উরিপোক হুইদ্রোম দিলভপমেন্ট কমিতিগী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাশক ঃ  বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি মহাক্কী অহুম্লক শুবা টার্মগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিবু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

শ্রী মোদিগা লোয়ননা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলদা য়াওগদবা কেবিনেট মন্ত্রি ৩০ অমসুং রাজ্য মন্ত্রি ৩৬, রাজ্য মন্ত্রি ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ ৫ সু ৱাশক লৌখি। মখোয়গী মনুং নুপী কেবিনেট মন্ত্রি অনি অমসুং রাজ্য মন্ত্রি ৫ য়াওরি।

ৱাশক লৌবগী থোরম অদুদা য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়াসু অখন্নবা আতিথি ওইনা য়াওখি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যু দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা শ্রী মোদিগী অনৌবা সরকারগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা য়াওখিবা মালেমগী লুচিংবশিংগী চাকলেন অমসু শিনখি।

অনৌবা মন্ত্রি মন্দল অসিগী অহানবা কেবিনেট মীফম ঙসি নুমিদাংৱাইরম নিউ দিল্লিদা লৈবা প্রধান মন্ত্রিগী য়ুমদা পাঙথোক্লগনি।

সিক্কিম ঃ  সিক্কিমদা প্রেম সিংহ তমাংনা অনিরকসুবা টার্মগী ওইনা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম পায়নবগীদমক মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলগী মন্ত্রিশিংগা লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ৪ দা ৱাশক লৌগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম গেংতোক্কী পালজোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। শ্রী তমাং অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলগী সদস্যশিংবু রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়ানা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি। হান্নগী রাজ্যপাল গঙ্গা প্রসাদসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা য়াওগনি।

সিট ৩২ লৈবা সিক্কিম বিধান সভাদা সিট ৩১ ফংদুনা চাউনা মায় পাকপগা লোয়ননা শ্রী তমাংনা লুচিংবা সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চা (এস.কে.এম)না অনিরকসুবা টার্মগী ওইনা অমুক হন্না শক্তি পায়রকপনি। সিক্কিম দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনা শুপগী সিট অমখক ফংবা ঙমখি। ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি পাৱন কুমার চামলিংদা মহাকা মীরেপ ওইখিবা বিধান সভা কেন্দ্র অনিমক্তা মায়থিখি। নৌনা শেমখিবা সিতিজন এক্সন পার্তি অমসুং কংগ্রেসনা সিট অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। মীখল অসিদা নুপী এস.কে.এমগী নুপী মীরেপ

মরি, রাজকুমারি থপ্পা, কৃষ্ণকুমারি রাই, কালা রাই অমসুং পামিন লেপচানা চাউনা মায় পাকখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিগী য়েংলগা গেংতোক ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না কোনবা মফমশিংদা লৈবা সরকার অমসুং লনাই স্কুল-কলেজশিং, মহৈ তম্ফমশিং ছুতি থাদোকখ্রে। মসি গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থমখিবা অমদি ঙাকশেলগী থৌরাংদা খুদোংচানবগীদমকনি হায়রি।

উরিষা ঃ উরিষাদসু বি.জে.পিগী সরকার অমা ঙসি ৱাশক লৌনবা শেম শারে। ঙসি অয়ুক পাঙথোক্কদৌরিবা বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী মীফমগী তুংদা ৱাশক লৌবগী থৌরম ভুবনেশ্বরগী জনতা মৈদানদা পাঙথোক্কনি।

বি.জে.পি ষ্টেট য়ুনিতগী প্রসিদেন্ট মনমোহন সমলনা হায়- ৱারেপ লৌবগী খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি অমা ওইরিবা বি.জে.পি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা ৱাফম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি। বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী মীফম পাঙথোক্কনি। মদুদা কেন্দ্রগী ওবজার্ভরশিংসু য়াওগনি। মীফম অদুদা কনানা মুখ্য মন্ত্রি ওইগদগে হায়বদুগী মতাংদা পুমমকা য়ান্নবা ৱারেপ অমা লৌগনি। মুখ্য মন্ত্রি ওইবা য়ারবা মীওইশিংগী মনুংদা- তরুক্লক এম.পি ওইরবা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি জ্বাল ওরাম, হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান, বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা শুরেস পুজারিনচিংবা মীওইশিং য়াওরি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমিত সাহ অমদি এন.দি.এনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং য়াওরবা য়াই।

হন্দক পাঙথোকখিবা উরিষা বিধান সভা মীখলদা রাজ্য অদুগী অপুনবা সিট ১৪৭ কী মনুংদা বি.জে.পিনা ৭৮ ফংদুনা চাউনা মায় পাকখিবনি। বি.জে.দিনা সিট ৫১, কংগ্রেসনা ১৪ অমসুং অতৈ দলশিংনা সিট ৪ ফংখি।

এদভাইজরি ঃ নেসনেল হেলথ মীসন (এন.ঐচ.এম) মিসন দাইরেক্তরগী ওফিসনা হু চেনবা চেঙ্গুম চারবা মতুংদা ওইরকপা য়াবা ফিভমশিংগী মতাংদা

এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

এদভাইজরি অদুদা হায়- হু চেনবা চেঙ্গুম চাবনা চাকখাউ নাবা, ওনিংবা, খরা শাথিবা কেসতা কা হেন্না হুমাং থোকপা, হৈনিংদবা ফাওবা গ্যান মাংবা, চোইরোল লোনবা অমদি লিভর শোকপনচিংবা তৌরকপা য়াই। মীয়ামা মশক নিংথিনা খঙদবা লম্লক্তা হৌবা চেঙ্গুম চাদনবসু এদভাইজরি অদুনা হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ  শঙাই এফ.সিনা য়ুথ ক্লব ব্রহ্মপুর ইন্তরনেল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ৱিন্নর ওইরে। ব্রহ্মপুর খোংমন মরুদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা শঙাই এফ.সিনা গোল্ডন থ্রি ষ্টারবু টাই বেক্তা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

সোক্কর (এল)ঃ  শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথরিবা চহি ১৫ মখাগী অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল বোইজ সোক্কর তুরনামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা গোল্ডন এফ.এ পেলেস কম্পাউন্দনা উরিপোক এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। আতিয়া এফ.এ ইরোইশেম্বা লাক্তবদগী এফ.সি টিম-বি থোংজনা ৱাক্ক ওভর ফংখ্রে। তয়াই এফ.সি নম্বোল খা-থোংনা বি.এফ.সি টিম-এ কোংববু পাঞ্জল ২-১ থোইখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা-  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অহুম্লক শুবা ওইনা ৱাশক লৌখিবা, কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিনা  রাহুল গান্ধিবু ওপোজিসনগী লুচিংবা খনখিবা অমসুং জিরিবামদা থোক্লিবা ইরাংগী পাউশিং তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- নরেন্দ্র মোদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা ৱাশক লৌখ্রে, কেবিনেট মিনিষ্টর ৩০, ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ ৫, ষ্টেট মিনিষ্টর ৩৬ ৱাশক লৌখি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি- ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ, মণিপুর মেল, পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, হুইয়েন লানপাউ অমদি সনালৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা- সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীগনি হায়না য়ান্নখিবা ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়না এম.পি.সি.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা- এম.পি.সি.সি প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্রনা সি.দব্লিউ.সিগী মীফমদা জিরিবামগী ৱাফম পুথোক্কুনা মতেং পাংবীনবা হায়জখ্রে হায়না পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবাম ইরাংগা মরী লৈননা গভর্নমেন্ট রিপোর্ট অমা পীরকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাহন তৌরি। পাউ অসি সেনাপতিদা ফোংবা পাউচে- হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- চীফ মিনিষ্টর নুমিৎ হুমিগী মনুংদা জিরিবামদা লাক্কনি হায়রকখ্রে, য়ুম মৈ চাকখ্রবশিং নৌনা শাদুনা হঞ্জিনহনগনি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- সেন্তরগী থৌওংশিং চুমদে, জিরিবাম কনগদবনি হায়না ইমা লুপশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জিরিবামদা য়ুম ৭২, ওফিস অহুম মৈ থাখি হায়বা ফয়ার সার্ভিসকী রিপোর্টনা গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিনা ওপোজিসনগী লুচিংবা ওইনা খনবগী পাউ তমেংলোং টাইম অমসুং গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------